# ১৬ শুবা গভর্নর্স কপ ৱুমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে
## কে আর এম এম রাইদিং স্কুল ফাইনেল চঙখ্রে



*ইম্ফাল, মার্চ ২৩ঃ*

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ১৬ শুবা গভনর্স কপ ৱুমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ঙসিদগী মপাল কাংজৈবুংদা হৌখ্রে।

নুপীগী পোলো টিম অহুম্না শরুক য়ারিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল শান্নখ্রে। কে আর এম এম রাইদিং স্কুলনা থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি নুংথিল চক্কর মরি থোক্লা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল অদুদা কে আর এম এম রাইদিং স্কুলগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করগী ৩.২৭, ৬.৫৭ মিনটতা জর্সি নম্বর ৬ এল থাদোই অমদি জর্সি নম্বর ৩ আই সঙ্গিতনা অহানবা অমদি অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। অনীশুবা চক্করগী ৭.০৪ দা জর্সি নম্বর ২ এস সঙ্গিতনা অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি।

অহুমশুবা চক্করদনা ৩.০৯, ৩.২৬ মিনটতা জর্সি নম্বর ১ কে ঐচ তনানা মরিশুবা অমদি মঙাশুবা পাঞ্জল চনখি।

মরিশুবা চক্করগী ২.০১, ২.২৩ অমদি ৬.১৭ দা জর্সি নম্বর ৪ টি ঐচ সনাজাওবী, জর্সি নম্বর ৬ এল থাদোয় অমদি জর্সি নম্বর ১ টি ঐচ তনানা মথং শিৎনা ৬শুবা, ৭শুবা অমদি ৮শুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

চক্কর মরিক্তা থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লবকী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা মায়থিহৌখিবনি।

# অহানবা টিবিএসএফএ ভেটরান কপ ইভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট



*ইম্ফাল, মার্চ ২৪ঃ*

তাওবুংখোত্তঃ লৈবা টিঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমী (টিবিএসএফএ) না পাঙথোকপা অহানবা টিবিএসএফএ ভেটরান কপ ইভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা আই ভি এফ এ না এম য়ু এস এ বু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা আই ভি এফ এ গী মায় পাকপাগী গোলশিং অদু মেটচ অদুগী ২৭ অমসুং ৩৭ শুবা মিনটতা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৯ হেননিংথাংনা অহানবা অমদি অনীশুবা গোল চনখি। মদুগী মতুং জর্সি নম্বর ১৪ টি ঐজ জোফিনা মিনট ৫৩ দা অহুমশুবা, মিনট ৫৭ তা জর্সি নম্বর ১৯ হেননিংথাংনা মরিশুবা অদুগা মিট ৬০+১ দা জর্সি নম্বর ৬ এ ববুনা মঙাশুবা গোল চনখি।

এম য়ু এস এ গী গোল অদুনা মেটচ অদুগী মিনট ৭ তা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৮ সঞ্জয়না চনখিবনি।

# দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস কী ৩১ শুবা বেটচ থা তরুক্কী ওইবা রিগুলর কোচিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ঃ

দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী ৩১ শুবা বেটচকী থা তরুক্কী রিগুলর কোচিং প্রোগ্রাম অমা এপ্রিলদগী সেপ্টেম্বর ফাওবা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা পাংথোক্লগনি।

মশান্নশিং অদুদি এঠলেটিক, অর্চরি, বোক্সিং, বাস্কেটবোল, বোদি বিল্ডিং, সাইক্লিং, কেনোৱিং এন্দ কায়াকিং, ফেন্সিং, ফুটবোল জিম্নাষ্টিক (চহি ৬ তগী ১০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা), হেন্দবোল, হোকি, জুদো, রোৱিং, সেপাক তাক্রৌ, সুট্টিং, টেবল টেন্নিস, থাং–তা, তাইকুন্দো, ভোল্লিবোল, রেষ্টলিং, ৱুসু অমসুং ৱেঠ লিফটিং নি।

মশান্না অসিবু পামজবা শান্নরোইশিংনা য়াসকী ওফিসতগী অয়ুক্কী পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবগী মনুংদা এদমিসন ফোর্ম লৌরবা য়াগনি অমদি মরী লৈনবা কোচশিংদগীনা অয়ুক পুং ৬.৩০ দগী অয়ুক পুং ৮.৩০ ফাওগী মনুংদা লৌরবা য়াগনি। হায়রিবা মেনশিল্লবা এদমিসন ফোর্মশিং অদু লাক্লিবা তাং ৩১ ফাওগী মনুংদা সবমিসন তৌনগদবনি। হায়রিবা মতম অসিগী মতুংদা পীশিল্লকপা এদমিসন ফোর্মশিং অদু লৌশিল্লোয় হায়না য়াসকী দাইরেক্টর মখা তারক্লি।

ফুটবোল মশান্নগী ওইনা নুপা অমদি নুপীগী সেলেক্সন টেষ্ট অমসু পাঙথোক্কনি। সেলেক্সন টেষ্ট অদু এজ গ্রুপ মরি থোক্লা লৈ। মখোয়শিং অদুদি চহি ১২ গী মখাদা লৈবা নুপা অমদি নুপীশিংনা এপ্রিলগী তাং ৩ অমদি ৪ গী অয়ুক পুং ৬.৩০ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্তা পাঙথোক্কনি।

চহি ১৪ মখাদা লৈবা নুপা অমদি নুপীশিংনা এপ্রিলগী তাং ৫ অমদি ৬ কী অয়ুক পুং ৬.৩০ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্তা পাংথোক্কনি।

চহি ১৬ মখাদা লৈবা নুপা অমদি নুপীশিংনা এপ্রিলগী তাং ১০ অমদি ১১ গী অয়ুক পুং ৬.৩০ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্তা পাংথোক্কনি।

চহি ১৭ মখাদা লৈবা নুপা অমদি নুপীশিংনা এপ্রিলগী তাং ১৪ অমদি ১৫ গী অয়ুক পুং ৬.৩০ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্তা পাংথোক্কনি হায়না য়াসকী দাইরেক্টরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরাল অমনা হায়রি


## LOAN AVAILABLE

1. Vehicle loan (2wheeler/3wheeler/4wheeler etc….)
2. Business loan [Rs.10,000 to Rs.10 Lakhs (12% P.A)]
3. Self Help Group (S.H.G) loan [Rs.10,000 to Rs.10 Lakhs (12% P.A)]
4. Pension loan (1.5%,2%,2.5%&3% P.M)
5. AGRICULTURE EQUIPMENT, FISH FARM EQUIPMENT.
6. Electronics loan(T.V,Laptop,Xerox Machine,Washing Machine,etc...)
7. Machinery loan(Flex machine,Iron soldering machine,Water pump...)

Please contact:- L.G. MOTORS
& Development Organisation For Socio-Economic in Rural Area(DOFSIRA)
Office Hour: 10.00am-04:00pm
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI(H.Q),IMPHAL
Branches:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,KAKCHING opp. P.S,THOUBAL OKRAM, SAMUROU NEAR MACHU HALL,NAMBOL LAMBAN,MOIRANG PATLOU.


# অহানবা এম সি এ টি–২০ লুৱাংপোকপা ট্রোফি ২০১৭
## য়ু সি সি গা আর আর সি সি গা দ্রো চৎখ্রে, মোদেল ক্লব মায় পাকখ্রে



*ইম্ফাল, মার্চ ২৪ঃ*

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা টিম ২০ গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্নুনা মমাং থাদগী লুৱাংশঙবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টদিয়মদা চথরিবা অহানবা এম সি এ লুৱাংপোকপা টি–২০ ট্রোফি ২০১৭গী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা মেটচতা য়ু সি সি উরিপোক অমদি আর আর সি সি চুরাচান্দপুর দ্রো চৎখ্রে।

ৱিকেট অহুম লৌবা ঙম্বগা লোয়ননা রন ১৯ চেনখিবা আর আর সি সি গী হাওজলেননা মেন ওফ দি মেটচ তাখ্রে।

নুংথিলদা শান্নখিবা মেটচতা মোদেল ক্লব শিংজমৈনা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালবু রন ১৬ তা মায়থিবা পীখ্রে। ৱিকেট ৫ লৌবগা লোয়ননা রন ১৩ চেনবা ঙমখিবা মোদেল ক্লবকী বিশ্বরজিৎনা মেন ওফ দি মেটচ তাখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৯ শুবা মেটচ ওইনা জয়ন্তা অমদি জগেন্না অম্পয়র ওইদুনা ঙসি অয়ুক শান্নখিবা মেটচ অদুদা য়ু সি সি অমদি আর আর সি সি না লম্বা তৌনখিবনি। মদুদা য়ু সি সি তোচ মায় পাক্নুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়ননা অপীবা ওভর ২০ গী মনুংদা ওল আউত ওইদুনা রন ৯৬ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুম ওইনা অনীশুবা ইন্নিংসতা অপীবা ওভর ২০ গী মনুংদা ওভর ১৭.২ দা আর আর সি সি গী ওল আউত ওইদুনা রন ৯৬ লৌদুনা দ্রো চৎখিবনি।

মেটচ অসিগী অহানবা ইন্নিংসতা য়ু সি সি গী নিয়োরাজনা বোল ৩৭ মায়োক্নবদা রন ৩৩ অবুংঙোনা বোল ২১ দা রন ১২ বোরিসনা বোল ১২ দা রন ১০ চেনবা ঙমখি।

বোল্লিং তৌখিবা আর আর সি সি গী হাওজলেন্না ৱিকেট ৩, খোল্লুনবা ৱিকেট ২, হেনখোল্লুন অমদি ইলানা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা আর আর সি সি গী হাওজলেন্না বোল ২৪ ময়োক্নবদা রন ১৯, হেনখোল্লুন্না বোল ১৩ দা রন ১৬, হাওমিম্থাংনা বোল ৯ দা রন ১২, খুপানলেন্না বোল ১১ দা রন ১১ চেনবা ঙমখি।

বোল্লিং তৌখিবা য়ু সি সি গী শ্যাম অমদি অবুংঙোন্না ৱিকেট ৩ / ৩ অদুগা দেনিস অমদি রোসন্না ৱিকেট ১/১ লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪০ শুবা মেটচ ওইনা নুংথিলদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগা মোদেল ক্লব শিংজমৈগা লম্বা তৌনখি।

মোদেল ক্লবনা তোচ মায় পাক্তুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়ননা অপীবা ওভর ২০ গী মনুংদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১১৪ স্কোর তৌখি।

অদুগী পাউখুম ওইনা অপীবা ওভর ২০ গী মনুংদা ৱাই দব্লিউ সি গী ওল আউত ওইদুনা স্কোর তৌগদবা মশিং য়ৌবা ঙমদনা রন ৯৬ খক লৌবা ঙম্বদগী মায়থিহৌখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা ইন্নিংসতা মোদেল ক্লবকী নিসানা আউত ওইদনা বোল ৩৪ ময়োক্লবদা রন ৩৪, ধমেন্দরনা বোল ৩৪ দা রন ১৯, অমেন্দরনা বোল ২০ রন ১৫ অদুগা বিশ্বরজিৎনা বোল ১৪ দা রন ১৩ চেনবা ঙমখি।

বোল্লিং তৌখিবা ৱাই দব্লিউ সি গী কিষন, বিশ্বাস, প্রিয়োকুমার, প্রকাসমণি অমদি বিংসন্না ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখিবনি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা ৱাই দব্লিউ সি গী প্রফুলোমণিনা বোল ৩১ দা রন ৩৩, কিষন্না বোল ২২ দা রন ২৬ অমদি বিংসন্না বোল ১৫ রন ১০ চেনবা ঙমখিবনি।

বোল্লিং তৌখিবা মোদেল ক্লবকী বিশ্বরজিৎনা ৱিকেট ৫, ইবোয়াইমনা ৱিকেট ২, টেজ কুমার অমসুং অমেন্দরনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

# ১৪শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬–১৭
## সি সি সি লিলোং চজিং মায় পাকখ্রে



*ইম্ফাল, মার্চ ২৪ঃ*

মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমদি মোডেল হয়ার সেকেন্দরী গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৪শুবা মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট, ২০১৬–১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সি সি সি লিলোং চজিংনা চেম্পপ খাগেম্পলিবু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীখ্রে। ৱিকেট অহুম লৌবগা লোয়ননা রন ৬ চেনবা ঙমখিবা সি সি সি গী এন সঞ্জিৎনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী তোচ চেম্পপ খাগেম্পলিনা তোচ মায় পাক্নুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়ননা অপীবা ওভর ৩০ গী মনুংদা ওভর ২৫.৪ দা ওল আউত ওইদুনা রন ৮১ স্কোর তৌখি। মদুগী পাউখুম ওইনা অপীবা ওভর ৩০ গী মনুংদা ওভর ১৬.৫ দা সি সি সি গী ৱিকেট ৬ তুরগা স্কোর তৌগদবা রন লৌবা ঙমদুনা মায় পাকখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা ইন্নিংসতা চেম্পকী টেজবন্তনা বোল ১৫ ময়োক্লবদা রন ১৯, মাইকেলনা বোল ২২ দা রন ১২, ইমোনা বোল ২৫ দা রন ১০ চেনখি।

বোল্লিং তৌখিবা সি সি গী রনবির অমদি সঞ্জিৎনা ওভর ৬ তা ৱিকেট ৩। ৩ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা সি সি সি গী কৃষ্ণনাকুমারনা বোল ১৪ দা রন ১৪, সঞ্জিৎনা বোল ৯ দা রন ৬ চেনখি। বোল্লিং তৌখিবা চেম্প খাগেম্পালিগী গোপাল অমদি ইবোবিনা ৱিকেট ২।২ লৌখি। অদুগা রতন অমদি বিসেশ্বরনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

হয়েংগী মেটচ ওইনা মোদেল ক্লব বি গা কে এস সি ন্যু লম্বুলেন্দগা লম্বা তৌনরগনি।

# ৭ শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়েল
## ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭



*ইম্ফাল, মার্চ ২৪ঃ*

সি আর পি এফ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা টিম ১২ না শরুক য়াদুনা ৭শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়েল ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসি অনীশুবা লীগ মেটচতা আই দব্লিউ এস সি খুম্বোংনা অক্সা ক্লাক্তাবু গোল ৫–৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা আই দব্লিউ এস সি গী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৩ মহেসনা অহানবা গোল চনখি। মদুগী মতুং টিম অসিমক্কী জর্সি নম্বর ১২ অবোইনা অনীশুবা, জর্সি নম্বর ১৭ রোমিওনা অহুমশুবা, জর্সি নম্বর ৪ আই রাকেসনা মরিশুবা অমদি জর্সি নম্বর ৮ বিকেশ্বরনা মঙাশুবা গোল চনখি।

অক্সাগী ওইনা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৯ বোবোইনা অহানবা, জর্সি নম্বর ৮ অখান্না অনীশুবা গোল চনখি। মদুগী মতুং জর্সি নম্বর ৯ বোবোইনা অমুক হান্না অহুমশুবা অমদি জর্সি নম্বর ১২ সগিরখান্দনা মরিশুবা গোল চনখি।

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*